

"মঙ হায়বসিসু ওন্থোকপনি, করি করিনো পংউতা উই।
থেংনবগী লোইবা নাইদে অহীংবগা অশিবগা অমতা ওইনা।"
- এলাংবম নীলকান্ত (অমেরিকাগী ঈশৈ)

# শৈরেং

## নেতা ইরাবত
—বি মঙাং

কুমজা ১৮৯৬ সেপ্টেম্বর ৩০
লমলেন লমদম লমনুংশি
পিশুম ওইনাম থিংঙেলদা
হিজম নেতা ইরাবত
মালেমদা পুন্সি খোংদারকখি।
লৈত-লায়রবশিংগী মায়কৈদা
শূফম-নোমফম খঙদবশিংগীদমক
খোরিরোল, ঈশৈ, দ্রামা, লীলারোমদসু
অকনবা মিৎয়েং চংশিল্লখি
মাগী লৈবাক্কী খঞ্জবা মতৌসিদা
লৈঙাক মপুনা শকখঙবীরে।
কুমজা ১৯২৭তা
ইজা ইবেম্মা খোমদোনস্নাগা
নেতা ইরাবতকা
মশাগী চহী ২৮ শুরকপদা
পুন্সি লৈপুন শেম্মীনখ্রে
লৈঙাক্লা তোলোপকী মথক্তা
লৌ পরি ২৫ অমসু পীবিরে
মশা নুংঙাইনা হিংজনবৈ
ওন্ন-তৈননা লৈত-লায়রশিংগী
অকুৎপা মফমদা লেপ্পুবৈ
ধর্ম্মগী মীংদা ওৎ নৈবগী
অমাং অশেং কায়বগী
লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈরুবৈ
মীরোৎ মীচেল ওইখিবা
হো! অশেংবা নেতা
বর্ম্মাগী তাংবোসেদো খুলদা
অরোইবা য়াহিপ তানখ্রবা
নঙগুম্বা অতাঙবা লৈঙাকপা অমা
লৈবাক মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইহিরি
নহাক্কী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লি।

## হল্লকখো লময়ানবা
—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

সেপ্টেম্বর ৩০, ১৮৯৬
ফাওরকখিবা তাইবঙদা
লংলবা থৱান্মীচাক অমা কংলৈপাক্কী
লাকপদা চহী খুদিংগী সেপ্টেম্বর থা
নীংশিংনরি লময়ানবা ইরাবত
পাঙথোক্লি থৌরম কয়া মণিপুরদা নত্তনা
খিল্লি মীতম কয়া মহাক্কী
মায়থোঙ য়াম্বা জন নেতানি
মরৈবাক নীংবা অমা ওইনা
য়াওল্লোয়, শান্নরোয় অমা ওইনা
কলম পায়বা কবি ওইনা
লৌমীশিংগীদমক্তা লেপখিবা মীশক ওইনা
তোল্ল-তারবশিংবু ঙাকপীশেনবীবা ওইনা
অদুবু ইনাকখুনবা, শেঞ্জাও পায়বা
লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংনদি
উখি মহাকপু য়েক্লবা ওইনা
হোৎনখি অওনবা খুন্নাই অমগীদমক
থবকনি মহাক্কী পুন্সিদি
কখোকপনি মহাক্কী শাগৈদি
নত্তে মহাক্তি চিন্না ঙাঙলগা খূৎতি য়াওদবা
মঙজরম্বনি মঙলান কয়া মান্নবা খুন্নাইগীদমক
সনা কোনুংগী মমাক ইবুংঙো ওইদুনা
অচৌবা ফমথোন পায়দুনা
নুংঙাইনা লেঞ্জগদবা পুন্সিদো
থাদোকখি মরৈবাক্কীদমক।
নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী প্রসিদেন্ট ওইনা
য়াখি অচৌবা থৌদাং কয়া
ঙাঙখি বৃটিশকী শুপ্নম লৈঙাক্কী মায়োক্তা
থৌনা ফরবী মৈতৈ নুপীশিংবু লমতাকপীখি
মাগী মতিক মগুনদি হেনগৎলক্লি কুইর-কুইরগা
সেপ্টেম্বর ২৬, ১৯৫১
কেনখি অরংবা থৱান্মীচাক অমা কংলৈপাক্কী
হল্লকখোকো অথৌবা
লমজিংবিরখো নরোই ননাওশিং
শেল্লখো অনৌবা কংলৈপাক অমা।

## মেরা হৌচোং
—য়েঙ্খোম তোম্বী

মেরা থাগী থানিলনা
পুরক্লে অপূনবগী শক্তম
পুর্ণিমা থাজনা য়েল্লক্লে
নুংশিরবা অচম্বা খুদোল
চীংমী-তম্মী অনীগী শক্তম
মচিন-মনাওনি তাক্লক্লে।
নুংশিবী ইমা মণিপুর
কংলৈপাকপু কৌবী ইমাও
কপ্পগনু নচাশিংসু পূনশিন্নরে
হৌ হৌ চোংদুনা হরাওনরে
মেরা থাগী পুর্ণিমাদা
মেরা হৌচোং মীংথোন্দুনা।
মেরা থাগী থানিলদা
মেরা ৱাবু য়ুংদুনা
লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগীদমক
মৈরা ৱাংনা কৎলিবা
কয়াগী মতিক ফজরিবা
কংলৈচা ঐখোয়গী চৎনবী।

## অশি লমদম
—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লৈগনি মরম অমদি
শিবগী মরম অমা
করম্না কমদৌনা
নাখিবরা, চহী কয়া শুখ্রে।
মরম অমদি লৈগনি
শিবগী
মরমদুনি ময়াম্না
হংনরিবসু
শিবগী মরম
অসুম্না নোংমদি
লোয়নমক চৎখিগনি।
করিগুম্বা মরম অমনা
পুরদুনা
ঐসু, মাসু, নঙসু
ঐখোয় পূম্নমক
করিগুম্বা মরম
অমনা পুরদুনা
কনানসু করিসু
হায়রকখিদ্রবা
অশি লমদম অদুদা।

## ফজবা শক্তম
—তৈয়ীব খান

কোরৌনা থাজবু লোন্না নুংশিজবা,
করিগী কল্লকপীরি কল্লকচাউবা তাইবঙনা;
থাজ-মাবু নুংশি-লৈহুল তমজবদা,
লোৎতুনা লেঞ্জবনি অহিং-মতম কয়াসু।

গুলাব-তীঙ্খংগী শাহুম-চৈনা ফংবদা,
করিগী মীপাইবীরিবা পাম্মুবা থম্মোয়না;
মাঞ্জ-মকাবু অহিং-নুংথিল ঙাইজবদা,
য়েক্লবা কয়াগী পুন্সিদি তেমশিংনখ্রিদা!

ফজবা শক্তম্ম থম্মোয়সিনা শৈথাজরুববু,
করিগী নোক্লবীরিবা মনতিক্লরিবা কনাগুম;
থম্মোয়গী মমিবু নুংশিবদা ফোঙজববু,
করিগী মীরাইবীরিবা পুন্সি মতেং নীজবগুম।

লোন্না থম্নিংলুবা অরোনবনা ফোংলক্লবদা,
কাউথোক্লিংলুবা ৱাখলনা কাউঙমদনা লৈরক্লবদা,
অশৈবগী কবিতানা অথ-চেন্না শৈশক্লক্লবদা,
করিনো হায়গদবা থম্মোয়গী নুংশিবদা।

লৈরাং-লৈকাগী শহুমগুম, মোং-হাদবা মতৌনি;
কুফেৎ-কাফেৎ থৱানগুম, তরূ-তরূবা মিৎয়েংনি;
থাজগী শুমহৎলবা মায়থোংসু, ঈংনা লঙলবা মঙালনি;
পুন্য-চেনবা কোরৌগীগুম, তাইবঙদা মঙাল য়েনবনি।
লৈচিল-নোংফাই মরক্তে নুংশি-মীৎয়েং তম্বদি,
চম্না-লেঞ্জবা পুন্সিবু ওইহল্লরি অঙাওবগুম।
নীংশিংলুবা মীৎকুপ খুদিংনা লম্বী-লমতাক ওইরবদা,
অমম্বা-পনখৈ ৱাংমদা ফজবা শক্তমদি শাফোঙলরি।

## অমতং পাম্মী
—লাইশ্রম শ্যামো

লম্বী অমতং পাম্মী
তিঙ্খং তুম্বৌ লৈতবা
লিক্লি মচেৎ তাদবা
চৎপদা করিসু কিদবা
শুপ্নতগী চৎননবা।
লৈকোল অমতং পাম্মী
লৈখল শুনা শাৎপা
লৈনমদি চপ মান্নবা
খোইমু-খোইরেন ইনবা
শুপ্নতগী পোখানবা।
লমদম অমতং পাম্মী
মহৌশা খূৎশেম্না লৈতেংবা
মলায়াগী নুংশিৎ ফংবা
মতম্বাক্তা হিংজনবা
শুপ্নতগী শিজনবা।
লুচিংবা অমতং পাম্মী
লৌথুপ লৌকোই লৈতবা
য়াম্না থৌনা ফবা
ইরৈবাক্কী কপ্পীবা ঙম্বা
শুপ্নতগী লমজিংনবা।
থৌজাল অমতং পাম্মী
লানখিবদা ঙাকপীনবা
হায়জবদা তাবীনবা
নুংশিবা মিৎয়েং য়েংবীনবা।
শুপ্নতগী হিংননবা।

## মঙফমগী কোকয়াম
—অঙৌবা তোংব্রম

শামু ইরু লুরগা
অথৌবগী মখোঙ চাল্লগা
নোংদি চুদনা ফৌদি থাদনা
চাবা কোন্ননি হায়রদি
পুক্তি কদায়দগী থল্লুনিগে।

নোং তাদ্রগসু ফৌ হুন্দ্রগসু
অথৌবগী চাম্বগী অরেম্বা ঈশিংদুনা থক্লগা
পুক থন্দু লৈরদি অতৈ লৈত্রব্রা
খরসু চামখিসি অথৌবগী মখোঙ
চাবা কোন্নবা কংলৈচা ময়ামসিগী।

নোংবু তারক্লে ইকং লাওরিঙৈ
নুংশাবু শারে নোংবু চুবদগী
কুমসিগীদি নোংমৈদা তারে
নোংদি তাদ্রে চাকখাওদি হাংঙু হায়বা
য়াদ্রা, কুপনা খন্নরকউ কুপনা য়েংলকউ।

মফোন তারবা লৌপাক
লৌরি চেকখাইরবা লৌয়াম
চেঙ থোক্লসু অথৌবদি থোকহনসি
অথৌবগী চামখিবা মখোঙগী ঈশিংদুনা
ফৌগী মহুৎ হৌহনসি চাক চাদ্রসু য়ানবা।

অথৌবদি লাই ওইখ্রবনিনা
মনমদনি লৌখিদুবা চাকমক্তি চারোই
মসিবু তৌগে তৌব্রা মহৌশাগী খলননি হায়রোই
মীদগীসু নিররোই মনাদুম ফংঙিসিনি
নোংদি শুকচু চুদ্রসু ফৌথোক্তি মরাং কায়রম্মিনা।

# ফাইবোক মরি
## (Two Pairs of Twins)
**- লুইস কুপর্নস**

ফাইবোক মরিমক ঐ মুন্না খঙনৈ। মখোয়গী মমিংসি নুপা ফাইবোক অনীদুগী মমিংনা জান রুইসদোনক অদুগা মনাওদুগী মমিংনা হেন্দ্রিক রুইসদোনক কৌই। অদুগা নুপী ফাইবোক অনীদুগী মমিংনা লিজা লেলৈকেম্প অদুগা মনাওনুপী মার্জোরি লেলৈকেম্প কৌই। নুপা অনীদুদি আমষ্টর্দামগী রুইসদোনক কাঙবুগী মচাশিংনি। অদুগা নুপী অনীদুনা হৌজিক্লা অমেরিকাদা লৈখ্রবা লেলৈকেম্প শাগৈগী মচাশিংনি। মখোয়গী মপা মপুদুদি হোলেন্দগী ডটচ লেলৈকেম্পতগী হৌখিবনি। আ অমেরিকাগী নিউ য়োর্কতা লৈখবদগীদি মখোয়গী শাগৈসি লিলিকেম্প হায়না খোন্থোক ওনখ্রে।

মখোয় থেংনবসি, উবসি নুংঙাইখ্রবা জাৎনি। মখোয় মরিসি কোয়মিন্নরবা নৎত্রগা ফম্মিন্নরম্নবা হোটেল অমদা নৎত্রগা থিয়েটর অমদা, লন্দন্দা ওইরো, পেরিসতা ওইরো, মখোয়বু মুন্না য়েংনদবা লৈত্রবনি। রুইসদোনক শাগৈগী নুপামচা অনীসিদি মশা-মউ ফবা ডটচ মচানি, মশক তোপ-তোপ্পী, লেম্মী, মীনসু ইকাইখুম্নবা, খৃষ্টিয়ান ধর্মদা লূপচবা, পূকচেল শেংবা, থকসি-খাসি খঙজবা পাখঙশিংনি হায়বা তাই, মশাগী চহী ২৬তা ঙায়জরবসু। মখোয়বু পোকপা মমা মপাসু লৈবাক্লা শক-খঙবা, তম্পাক্কী রোমান ঈগী পরিংগী মচা মশুশিংনি। অদুনা পাখঙ মচা অনী অসি পিক্লিঙৈদগী মপাবুংনা চেকশিন্না ৱারক ৱাতেমদুনা য়োক্লকপনি হায়বা তাই। মখোয় অনীমক ইচম চমজবা, কা হেন্দোক্তবা মচাশিংনি - শেৎতোক চাথোরকপা ফিদা হায়রো, তোংলকপা কারদা হায়রো, থকপদা চাবদা হায়রো মরক্কী মীনি ইচম চমজবা, তিন্নবা নুংঙাইবা, লোয়নবা নুংঙাইবা মীনি হায়বা তাই।

অনীমক অফবা ঙাক্তনি, ঐঙোন্দদি মখোয়নীসি কনানা হেন্না ফবগে হায়ফম খঙদে, চপ মান্নৈ। শম্না হায়রবদা ঈশিং মরিক অনীদা খেন্নবা খঙদবা অদুগুম্বনি। মশমসু মচু মান্নৈ, নানবা মান্নৈ, শমকক মান্নৈ। মায়থোঙসু কোই ককপদা হায়রো, শমহাত্তা হায়রো চপ মান্নৈ। কুচু মান্নৈ, নুপা মাল্লি। লোইনা মান্নৈ হায়বা তারে। মখোয়নীনা শিরিবা খুদম য়াওবা খুদোপশিংদুসু মশক মান্নৈ, শিরিবা খূৎশাসু চপ মান্ননা শিরিবনি। ফুরিৎ তূরে মচু মান্নৈ, তূফমসু অমত্তদনি। কনাগুম্বনা জান উরো, হেন্দ্রিক উরো চপ মান্নৈ, কৌফম খঙলোই। অখঙবা মীনা মুন্না য়েংলবদি খেন্নফম অমখক্তি লৈ, মদুদনি - মদুদি ময়াম্বা জাননা ৱাংবা খজিক্তং হেল্লি, মদুসু ইঞ্চি অমগী মশুংমুক ওইগদ্রা - চুম্না য়েংবদদি খঙবগী ৱা লৈত্রবনি। হেক খঙলিবসি চপ মান্ননা লেংগা লেংগা লেপমিন্নবদা খঙবগী ৱানি। অদুদদা করম্বনা জাননো, করম্বনা হেন্দ্রিকনো খঙলনি। মান্ননা থোকমিন্নখিবদা কৌবা অদুম ঙল্লরোই, চপ মান্নখ্রে।

মখোয়নীবু পোকপা মপাগী ৱাখল অমা লৈ। মানা মচানুপা অনীসি কেনা মৌনা ময়ূমদা সুম ফাজিনবসি খক পামখিদে। অদুনা মানা মখোয়নীবু মীরমগী পুন্সি খঙজরুনবা অমেরিকাদা থাখ্রে। জাননা নিউ য়োর্কতা লৈখ্রে, হেন্দ্রিক্লা বালটিমুরদা চৎখ্রে।

অদুগদি কুইদে জান কৌবা ময়াম্বসিনা লিজি লিলিকেম্পকা হেক্তা নুংশিনরকই। মখোয়নী উনবসি নিউ য়োর্ক সোসাইটিগী মীফম অমদা উনখিবনি। কোক লৈবী লিজি হায়বীসিসু মশকসু ফজৈ, হরাউ-তয়ামগনবী, মতৌ লৈবী, খিত্তং দ্রো দ্রোগী লৈশাবীনি হায়বা তারে। তৌববুদি মসি অমেরিকাগী হৌনবীনি, অদুবু জান্না নীংবা কায়দ্রিবনা লিজি ইনাক খুনবা ইমুংগী মচানুপীনি। মাগী মপাসি নিংথৌগুম্বনি, অদুবু করম্বা কারবারগী, করম্বা অচা অথক পোৎশক্কী নিংথৌনো হায়বদুমদি ঐসু থিজিল্লুদ্রে। অদুনা জানগা লিজিগা থুনমক লুহোংখ্রে। হোংলোইদবগী মরমসু লৈতে, জুৎ চানৈ অনীমক। থুনমক মখোয়নী হোলেন্দা চৎপা লেপ্পে, অদুগা সোমদা অমেরিকাদা য়ূম অমসু অদুম থমদৌরি। মদুনা খুদোংচানি খন্নৈ, য়াই পৈশাগী অৱাৎপা লৈতে। লিজিদি থা অহুম খুদিংগী অমেরিকা য়ুরোপ কোয়পাই পাইদুনা লৈনীংলি। মানা খঙদবা লমসু লৈতে, - পেরিসকী সে রু দি লা প্রিক্ষ, বেরুইথকী থিয়েটর, ৱাগনার থিয়েটর ফাও মানা খঙই।

অমরোমদনা লীরিবা অশেংবা ৱারী অসিগী লাইনা তম্বা হায়বা তারে। বালটিমুরদসু হেন্দ্রিক কৌবা মনাওনুপা অসিসু নুপী ফাইবোক্কী মনাও নুপী মার্জোরি হায়বী অদুগা কোক হেক থেংনরুরে। লিজিগী মনাওনুপী অসিমসু কৈসু ৱাত্তে, নুংঙাইখ্রবা নুপীনি, মশক ৱাৎতে, মতৌ ৱাৎতে, শিংসু শিংই। মখোয় অনীসু ময়াম্বদৌনা লুহোংখ্রে বালটিমুরদা।

হেক ৱারিবসি মখোয় মরি পুন্না লৈমিন্নরকপা মতম অসিদনি। অয়েংবা মীদি লায়রদুনা মখোয় মরিমকসু চমম্নবা থোক্লে। মশক খন্দোক্লবদা। প্রমান অমদা হায়রগা নুপা মচিন মনাওসিনা ঈশিং ঈরিক অনী খেন্নফম খঙদবা অদুম্না নুপী মচিন মনাও অনীসিসু লিক্লা ঈরিক অনীগী মরক্তা খেন্নফম খঙদবা অদুনি।

তৌরিবনসু মনাও অনীগী লুহোংবদু লিজা চৎলুদ্রে, লোক থুংদুনা নাবদগী। জান ময়াম্বসু চৎলুদ্রে, মানা সাইকল তুশিনবদা শোকপদগী। লাইনা শীনবগা চপ মান্নখ্রে। চৎলম্লবদি কুম্মৈ অমা ওইদৌ জাৎনি মান্নবগী মান্নবা মক্তা।

অদুবু লুহোংখ্রবা মতুংদা মখোয় মরি পুন্না য়ুরোপ্তা চৎপগী প্রোগ্রাম অমা শীনমিন্নরে। অদুবু হেক অহানবা উনবদুদা নুপা মচিন মনাওদু খজিক কুচু তাইনরম্লে, হেন্নদুম লেম্নরম্লে। নুপী মচিন মনাওদুদি হরাউরিবনি খঙদে হিগত্তুনা নোকমিন্নরি। অঙাওবীদৌনা লুহোংবগী খুদোপশিংদু য়েংনরগা। খুদোপতু চপ মান্নরম্বদুদা।

অদুবু ময়াম্বা জান্দু ৱাখল অমদগী মনাওদু কৌশিল্লগা হায়রে তপ্পা :

- "হেন্দ্রিক! ঐ নঙোন্দা ৱা অমতং হায়নিংঙি, ঐ খনবদা ৱারে।"
- "করি ৱানো?" হেন্দ্রিক্লা খুম্মী, মখোয়গীদি ওন্থোক্লা নুংশিনবনি। ময়াম্বনসু মনাওবু, মনাওনসু ময়াম্ববু।
- "হেন্দ্রিক! নঙগী নুপীসি ঐগী নুপীগা কৈসু খেন্নদ্রে। শকতা চুদা, করিদা করিদা।"
- "চুম্মী! তাদ! কৈসু খেন্নদ্রে। খেন্নবা হায়বু ঐখোয়নিদৌনা ঐগী নুপীনা মচেদগী খিত্তং নেম্মী অসিদনি।
- "অদুনি, অৱাবসি, হেন্দ্রিক! ঐখোয় মরি পুন্না চৎতৌরে। অদুনা ঐখোয়নী য়ুরোপ্তগী অমেরিকাদা হল্লক্ত্রিফাওবদি খরা চেকশিন্নসিকো।" অদুম হায়রুরগা পুকচেল ফজবা, মথমোয় শেংবা, ৱাখল ৱাংবা ময়াম্বনা খিত্তং হৌগৎলক্লগা মনাওগী খূৎ শোক্লবা মখূৎ তিংথোক্লকখি। অদুগা থোইনা লুনা খনগন্দবা, নোক্লনবা, হায়বা ইনবা মনাওদুসু মখূৎ অমা তিংথোকখি। খূৎ শোক্লে, খূৎ তিংথোক্লবদা খূৎশা উবদা ময়াম্বনা খিত্তং শাংবা হেল্লি। শম্না হায়রবদা হেন্দ্রিক্কীনা খিত্তং তেল্লি। অতৈদি চপ মান্নবীনি।

মখোয়নীসি হেক স্কুল তমিন্নরিঙৈদগী অমুক্তসু ফাগী জুগাই তৌনদে। মীনম্নদে। অদুনা কনাগুম্বনা নৎত্রগা মখুড়া মতোন্না নৎত্রগা মচে মনেনা হেক কৌবা য়াওই ময়াম্বা জান্দা - "গুড মোর্নিং, হেন্দ্রিক!" হায়না। অদুদা জান্না চুমথোক্লমগনি - "খুড়া, ইচে, ইনে, লাল্লে নঙগীদু ঐ জান্নি, হেন্দ্রিক নত্তে।"

অদুগা ঐনা তশেংনা হায়জৌ হায়রবদি নুপী মচিন মনাওদুদি চুমথোক্লদে। অকৌবদু অদুম পঙখুমদা খুল্লম্মী, মমিং লাল্লক্লসু। মখোয়নীদি নুংঙাইবীনি ওন্ন-তৈনবদুদা। মচেগা মনাওগদু খঙননবা হায়দুনা রিবোন মচু মান্নদবা কিনরবসু মখোয়নীনা হেক্তা ওন্থোক্লখিনি।

অসুম্না শক মান্নবা নুপা অনী, শক মান্নবী নুপী অনী কোয়মিন্নখ্রে জহাজদা কা লৌদুনা 'ওসিনিক' কৌবা জহাজদুদা। লান মমাঙদদি জহাজগী খোঙচৎসি য়াম্না নুংঙাইরম্মী। অদুম্না রুইসদোনক মচিন মনাওদুনা আমষ্টর্দমগী ময়ূমদা মাগী মাগী নুপীদু পুশিনলুদ্রিঙৈদা পেরিসতা নোংমা লেকপদা তারে। পেরিসকী রুইদিলা পিক্ষ য়েংখিনবা। মরুওইনা নুপী অনীদুনা পাম্বগীনি। মরমদি মখোয়নীনা খঙই - পেরিসকী রেদ ফর্ন অমদি ৱোর্থ দুকানগী ফিদি ফজবদা ঙকপনি, অদুদগী দুকান দৌসেটকী অপাবা ফিসু, ফজ ফজবা জুয়েলরিগী পোৎসু অঙকপদা ফজৈ হায়বা মখোয়নী খঙই। অদুগী মথক্তা মখোয়নীগী শেঙ্গাউদু পৈশাগী অৱাৎপা লৈতে। অদুনা ডটচ মচা অরিকপা নুপা মচিন মনাওদু ৱা ঙাঙজদ্রে। নুপী অদুনা অমেরিকান নুপীগী কেজ মৌজবা মতৌদুদা। লুহোংবদা ৱাশকখ্রবনি নুংঙাইবা য়ূম্বাল লম্বী ওইনসি হায়না।

অদুদগী অমুক মখোয় মরিদু ব্রুসেলদা পাইরে। লান মমাঙনি। অদুনা কোয়রে, পোৎ লৈরে, ওপেরাসু চঙদুনা দ্রামা য়েংলুরে। অদুদগীদি হোটেল য়ৌরে। হোটেলদু মীনা থল্লম্লে। নুমিদাংগী চাকলেনসু ফজরে। থকপনে চাবনে। চিম্পাঞ্জি থক্লখ্রে। অদুবু চাবা-থকপদু লোইরগা হেন্দ্রিক্তু চিঠী অমতং ইনিংদুনা হোটেলগী চিঠী ইফম কা অদুদা চঙদুনা ইহৌরি। অদুগা চিঠী পূংমুক ইরম্লগা মাগী কাদা লাকপনি। মার্জোরী মখোয়নীগী কাদুদা।

হেন্দ্রিক্কী হৈনবী অমা লৈ। মাদি মাগী নুপীগী কা ওইরবসু থোঙ হেক্তা নম্মুদে, হৌনবী খঙবদৌনা হান্না থোঙ তেক তেক কাপকনি। অমুক অনীরক মদুমক ঙসিসু তৌরুরে। অদুবু কনাঅমতা খুল্লকখিদে। অমুকসু থীল্লি।

- "কনানো, কৈদৌরগে হৌজিকপু?" শাউরপ্পা মনুংদগী নুপা অমা খুল্লকই।

হেন্দ্রিক্তু থোঙ মমাঙদুমক্তদা, মাগী নুপীগা লৈগদবা হোটেলগী কা অদুমক্তদা জ্ঞান মমখ্রে। অদুম্না মপুন্সিগী অমুকসু থেংনজরক্ত্রি। অদুগা সিমদি শেংলি মানা মুন্না খঙই, চীং-লেম্না খুল্লক্লিবা নুপাদু ময়াম্বা জান অদুমকনি। মহাক নীংশিংই, কা ওন্নরব্রা হায়না। অদুবু মাগী নুপীগা মখোয়নীগী কা নম্বরদুদি চুম্মী হায়না মানা খল্লি। অদুবু ময়াম্বনা খুল্লক্লিবা মওং অদুনসু মাগী কানি হায়বগী চাউথোক্লা খুল্লকই। থেংলবা মতমসিদা তূম্বা থুগাইরক্তনু হায়বগী মওংনি। তৌববুদি মী লোইনা তূম্নখ্রে হোটেলদু। লৈহৌরিবা হায়বু চিঠী ইদৌবা লৈবা মাগুম্বা খরদা মঙায়হৌরবনি। হোটেলদুগী থবক তৌবা মীসু লোইনা তূম্নখ্রবা মতমনি হংদৌসু।

অদুনা হেন্দ্রিক্কী অকোয়বদু পুমচিক চিকখ্রে, অহিংগী অচিকপা হায়বদুমক্লি। মাদি নিংথমখৎলক্লবনি। অদুনা কৈদৌনি হায়বগী মওংদা মহাক সেকেন্দ অমগী মনুংদা থনুং য়ৌনা খন্থখি। খোন্দুদি মাগী ময়াম্বা শোয়দ্রে - কা নম্বর অমুক নীংশিংঙি, লাল্লব্রা খল্লি, ফ্লোর ওন্নরব্রা অমুক খল্লি, মানা ঙসাই চাক চাবদা য়ু থকখিবদুনা মহাক্লা শোয়রব্রা অমুক খল্লি, মাগী নুপীগা মতৈমগা শক চপ মান্নবদু অমুক নীংশিংঙি - মানা চিঠী ইদুনা লৈহৌবা - পূংশিং- পূং ১.৩০ দা লৈহৌবা - পূং ২.৩০ তাখ্রবা - পূং অমগী মনুংদা থোক্লিবা থৌদোক - মাঙ্গোলগী অচিকপদুদা হেন্দ্রিক্কী মকোক্তা খনবদা কায়দৌরে। মানা খল্লকই, চিঠী ইবগী চোন্থহৌরুদ্রবদি ফরমদৌনি। অমুক খল্লকই, মানা লানবা ওইবা তারে। নীংশিংলকই অমেরিকাদগী লাক্লমদাইদা ময়াম্বা জান্না চীংনবা হায়খবদু, মাবু চেকশিল্লু হায়খিবদু। হোটেলসিনা চাউমনবসিনা থোক্লিবনি খল্লে। মাগী কা নম্বর অমুক চিংনরকখি। "ঐগীদুবু ১৩১ রা, চুম্নগী ৩১ রা ইকাউ কাউরেদা। জাননা শোয়রিব্রা ঐনা শোয়রিব্রা?"

অমরোমদা হেন্দ্রিক্তি থমোয় শেংবা মনাওনি। ধর্ম কায়জদবা। ময়াম্বদা শম্না অমগী অরানবা তৌজদবা, ময়াম্ববু ৱাহঞ্জদবা, চৈবসু হৈজদবা মনাওনি। অদুনা মশাদা ফাওরম্বা শাউনীংবা, চিংনবা, চরাংনবা ৱাখল পূম্নমক্তু নেমথখ্রে। মথক্কী ফ্লোরদা ওইরব্রা হায়দুনা মথোল অমা থাক থাক কাখৎখ্রে। ফ্লোর অদুদা মানা থাজবা কা নম্বর ৩১দুদা থীল্লুরে। অদুগদি নুপী অমনা খুল্লকই - "চঙলকও!"

মানা হেক চঙলুবদদি শ্লোক থীথরক্লে:

- "ঙসাইমখৈ কদায়দা লৈরুগে। ঐনা ঙাইরিসি পূং ১ ফারবনি"
- "ঐ চিঠী অমতং ইদৌবা লৈবা, অদু ইরুবনি, লিজি!"

ময়াম্বগী মখোল মান্না খুমখি। মাদি মতৈমনি হায়বদু খঙলে।

মানা খুমখিবদু খোনফম কায়রে। মংগুম্বদা ঙাঙগদবা খোন্দা ওইখ্রে। মখোয়গী ডটচকী লূম লূম লাউবা খোন্দু মতাংনা য়াদ্রদুনা মং কূম্বগী খোল মানখ্রে।

মতাংসি লুরে, প্রমান অমদা খুদোংচাববু ফংলবদি সাধুদসু হূই হায়বদুগী তাঞ্জা ওইখ্রে। মীদুনা হূনিংদ্রসু ফাইবোক ওইরুবগী দশাদু খঙখিদনবা হূদবা য়াখিদ্রে। হেন্দ্রিক্কী মফমদা মদু থোক্লে। ময়াম্বনা চেকশিল্লু হায়বা মতমদুদা মখূৎ পিখ্রবনিনা মহাক ময়াম্বা শাদবা য়াখিদ্রে। মতাংসি তাঞ্জাসু, ফিভমসু অনীমক পূনখ্রে। হৈ-শিংদবা য়াখিদ্রে। শেলগী মতাংদা চেকশিনবগুম। শেল মতাংমক নৎত্রবসু ফিভমদুনা ৱাথোক, ক্রাইসিস অমা শোয়দ্রে। থমোয় শেংবা হেন্দ্রিক্লা মদু কন্দবা, ৱাখল শান্নদবা য়াখিদ্রে।

মানা খঙই, মাগী ময়াম্বা জানদি অয়ুকসি পূং ৬তা হেক হেক হৌগৎলি। নোংমতা শোয়দে। মাগী নুপীনা হৌগৎত্রিঙৈদা। অদুনা ময়াম্বা শারিবা মহাক অয়ুক পূং ৬ চপ চানা হৌগৎতবা য়াদ্রে। মহাক হৌগৎলে। অদুগা থাক থাক অদুদা চেন্থখ্রে মখাগী ফ্লোরদা। মানা খনবা চুন্মৈ। ময়াম্বদুসু হৌগত্তুনা ইরুজফমদা চঙখিবা মতাং চপ চারে। হোটেলনা চাউবনা মমি শামি উনৈ। ময়াম্বদি ইরুজফমগী গ্লাসকী থোঙদু মনুংলোমদগী লোনখ্রে। মিংশেল ৱাংমা ৱাংমদা মমি শামি উবা নত্তনা মশক খঙনবদি ঙম্নখিদ্রে। মিংশেলদুসু লৈচিন থাংবদৌনা তৌবা ফ্রোষ্ট গ্লাস ঙাক্তনি।

জানসু ইরুজফমদা মপান থোক্লুরগা থুনা হল্লকপদদি মানা তূল্লুবা কাদু থোঙ অমুক লোন্দুনা লৈরম্লে। মানা থীল্লুবদা মনাও হেন্দ্রিক্লা ঙরাং ময়াম্বনা শাউনা খুল্লকপা অদুম্না খুল্লকই :- "কনানো কৈদৌরগে?"

- "ঐনিনে, সিবু ঐগী কা নৎত্রনে?"

হেন্দ্রিক থোঙ ময়া কারগা য়েংলকখি, অদুগা ময়াম্বদা হায় :

- "এ: জান নঙ ওইরে।" তপ্পা খুম্মী, ঙকশিন্নরদুনা। মখাসু তারকই, "নঙ করি হায়বনো, অসুক ঙন্না পূং ৬ সিদা?"
- "ঙাইখোনে, হেন্দ্রিক! ঐবু...?" জান ঙকপনা থনখ্রে।
- "কৈদৌরগে নঙবু?"
- "সিবু ঐনা হিপ্পম্বা কাদু নৎত্রনে? ঐগী কাদো, লিজিগা ঐগগী কাদো?" অদু হায়রুরগা মশাদু হকাম চল্লি, তূম্বা লোইদ্রি। মশাদু নীংশিংবা হোৎনৈ।
- "কদায়দগীনো? সিদি ঐগী কানে। রুম নম্বর ১৩১ নে। ঐগা মার্জোরিগা অনীগী কানে। তাদনা ফ্লোর ওন্নরম্লনি।
- "ঙাইখোদা, ঐবু থাক অমতা কূমথরকখিদেদা?" জান পূমঙাও ঙাওরে।
- "কূমথরক্লমগনি। কূমথদনবু সিদা লাক্কদ্রো? উইবদা ভাব তাদবা, কাউবা ওইরিনি। ঙরাংগী নিশা লৈরমখিনি অদুননি। অমুক্তা কাখৎলগা য়েংবিরুচো। কা ৩১দি মথক্তনি। নঙগা লিজিগগী। নঙনা উরিসিনি। সিদদি ঐগা মার্জোরিগা লৈরিসিদি।"
- "ও!" জান খুমদবা য়াদবদৌনা খুমখি।

অদুগা তন্না মথক্কী কাদা চৎখ্রে। তৌরিসু তশেংনা লিজিদু ফমুংদগী হৌগৎলমদ্রি। নুংঙাইনা তূমদুনা লৈরি। ৱারীসি সিগী মতুংদি লৈত্রে। তৌবদবু নুমিৎ অদুদগীদি হেন্দ্রিক্তু মতোমতা খঙবা অঙকপা অমা লোইনবগুম লৈখ্রে। কনাসু হায়দোকখিদ্রে, মতোমতা পুক্লংদা থমখ্রে। ময়াম্বা জানসু, নুপী মচিন মনাওসু মনমফাও ফংহনখিদ্রে ৱাফমদু। নুপী অনীদুদি হিগৎতুনা নোকমিন্নরি, মৱা অনীদু মান্নবগী ৱারীদা। অদুবু নুমিদাংদুমদি খেন্নবা খঙবা ঙমখদ্রে। ব্রুসেলগী থৌদোক্তু। করম্নসু খঙনি। নুপা অনীদু খেন্নরিবদি ইঞ্চি অমগী শরুক লীশিং থোকপগী অমতনি।

হেন্দ্রিকখক্তদি, থমোয়দা ৱাদু ফুম্না ফুম্না মতুংদি য়াম্না চেকশিনখ্রে। মানা ৱাখল লৈবা, খন্থবা ঙম্বা থমোয় ওইখিবনা নীংবা কায়বা তৌখিদ্রে। তৌবতবু মচিন মনাও পূন্না কোয়বদি তৌখিদ্রে, হোটেল অমদা মখোয় মরি লেকমিন্নবগী থবকসিমা খক তৌখিদ্রে।

অদুবু ঐনা করিগুম্বা মখোয় মরিদুগা পূন্না হোটেলদা চাব-থকপা হেক তৌরুবদা, নৎত্রগা দ্রামা য়েংমিন্নরুবদা ঐনা উরিবসি মী পুম্নমক্কী মিৎয়েংসি ফাইবোক মরি অসিদা ওইখি।

ঐনা মখোয়গী অশেংবা ৱারীসি কমদৌনা খঙঙুরিনো হায়বু অপাবশিংদা থমোয় শেংনা হায়জরি - হেন্দ্রিক্লা লীরকপা নত্তে, ঐতনা ভাবনা ফংলিবনি। মরমদি হেন্দ্রিক্লা ময়াম্বগা মখোয় মরি পূন্না কোয়বা, হোটেল অমদা লৈমিন্নবা হায়বসিমা শুকয়া য়ারক্তবা অসিনা ঐবু চিংনহবনি। ঐনা মাবু কূপ্পা শেন্নৈ, সাইকোলোজিকেল্লি য়েংশিল্লি মদুদা ফংলকপা ৱাফমনি। হৌজিক্তি ঐ ৱারীসি শোয়ররোই হায়বা ঙল্লে।

অদুনা ঐনা শোয়ররোই খঙবগা অশেংবা ৱারীদু ওইবা য়াবা ৱারীমচা ওনবখক্তনি। অচুম্বা ৱাবু ফিক্সন অমা ওলহনবদুদনি ঐনা তৌরিবা।

মৈতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা
(হোলেন্দগী ৱারীমচা)

# রাগ দরবারী-১৩
**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

কা অদু চেক-মুক লাউখিদ্রে। 'মহাদেবীগী ৱেদনা' বু পামজবা অদু তাঞ্জা অদুনা লাকপদা তুমিন্না মহাক্কী ফমফমদা ফমদুনা লৈখ্রে। ওজা প্রিন্সিপাল ক্লাস অদুগী নাকল অমদগী নাকল অমা ফাওবা য়েংলদুনা শাউনা লাউরদুনা হায়রকই, "অদোমগী ক্লাসকী দিসিপ্লিনগী ফীভম অসিরা! অঙাংশিং ফিল্মগী মেগজিন পারে! অদুগা অদোমগী মতৌ অসিদা অমুক ভাইস প্রিন্সিপাল ওইহনবিয়ু হায়না কন্না হায়রিবনিকো! মসিগী মতৌ অসিনা ভাইস প্রিন্সিপাল ওইবা য়াগদৌরিবরা? ওজা, মসিগী ফিভম অসি ওইরদি য়ূমদা ওইনা ভাইস প্রিন্সিপাল ওইবিরুরো, চহী অসিগী জুলাই ফাওবা মফম-মফম খুদিংদা কোয়রো।" হায়না-হায়না অৱধীগী মহাকবি গোশ্বামী তুলসিদাসকী থৱায় মহাক্কী হকচাংদা নাকল অমরোমদগী চংলগা হকচাংগী নাকল অমরোমদা থোকখ্রে। মহাক অমুক হন্না খরি বোলি লোলদা অমুক ঙাঙলকই,"মহৈ-মশিন তম্বদা করি লৈরিগে! অশেংবদি হৌন-লোনচৎ অদুনি! খঙলেকো, ওজা?"

ৱাফম অদু হায়রদুনা প্রিন্সিপাল অদুনা উমর খৈয়ামগী হেরোগুম, "ঐ ঈশিংগুম লাকপনিকো, নোংলৈ নুংশিৎকুম চৎলি" হায়বগী মতৌগুম চৎখিরম্মী। তুং-মাংদা মহাক্লা ওজা খন্না তুমিন্না শোনবা ৱাঙাঙ অমা তারকই।

মহাক কোলেজ অদুগী থোংনাউদগী মপান থোকখিরম্মী। লম্বীদা খোঙ্গ্রাউ-ফুরিৎ লিৎপা নুপা অমা লাকপা উরম্মী। সাইকলদা লাকপনি। চৎনা-চৎনা মনাক্তগী নুপা অদুনা প্রিন্সিপালদা অমদি প্রিন্সিপাল মখোয় অনীনা খুরুম্নরম্মী। নুপা অদু লাপথোকখ্রবা তুং ক্লার্ক অদুনা হংলকই, "উচেক হাৎপা মানবা মী অদু কনানো?"

"মলেরিয়া-ইন্সপেক্টরনি... অনৌবা লাকপনি। বি দি ও গী মমাকনুপা মাল্লি। য়াম্না হৈশিংবা মীনি। ঐ করিমত্তা হায়দে। খল্লি, তুংদা কান্নরকনি।"

ক্লার্ক না হায়রকই,"হৌজিক কান অসিদি মোয়গুম্বা মীওইশিংদগী থবক ওইথোক্তনি। ইচম চম্বা মীওইশিংদি করিগুম্বা অমত্তা তৌরগা পীদে।"

ঙাইহাক মখোয় অনী তুমিন্না লম্বী অদুদা চত্তুনা লৈরম্মী। প্রিন্সিপালনা মহাক্কী ৱাফম অদু অমুক হায়বা হৌরক্লম্মী, "মীওই খুদিংমক্তা নুংশি চান্নবা মরি অমা থম্বা তঙাইফদে। কোলেজ অসিদা গধা ফাওবদা পাবুং হায়না কৌদবা য়াদে।"

ক্লার্ক অদুনা হায়রকই, "অদুবুদি য়াম্না চুম্মী, ঐনসু উবা ঙম্মী। নুমিৎ চুপ্পা মদু তৌদুনা হৌখি।"

মহাক্লা হায়রকই,"হায়বিয়ু, ঐগী লাক্ত্রিঙৈ মমাংদগী মফম অসিদা প্রিন্সিপাল মঙা লাকখ্রে। কনানা অসুক চাওখ্রবা ব্যান্ডিং শাবা ঙমখিবগে?" মহাক তপথরক্তুনা, "মফম অসিদা মীয়ামগী পুন্‌ফম শারিসে ঐগী পাঙ্গলননি। নত্রনে?"

ক্লার্ক অদুনা মকোক নোল্লদুনা হায়রকই 'হোয়।'

ঙাইহাক লৈরগা মহাক ৱাখল নুংঙাইতবগী মওংদা হায়, "ঐ অমুক হন্না উপায় অমা য়েংলিবনি মদুদি কনাগুম্বা অপঙবা অমা লাংদা থুরগদি অনৌবা ব্লোক অমসু শাগে হায়না।"

ক্লার্ক অদু তুমিন্না মহাক্লা লোয়ননা চৎলম্মী। ইখঙ খঙহৌদনা হরাউবগা লোয়ননা চপ লেপ্পী। প্রিন্সিপাল অদুসু লেপ্পী। ক্লার্কনা হায়, "অচৌবা ব্যান্ডিং অনী শাগদৌরি।"

প্রিন্সিপাল অদুনা খঙনিংবগা লোয়ননা মঙক থাঙ্গৎতুনা হায়রকই, "কদাইদা?"

"অমনা শোক্ল-শম্নবা য়াদ্রবা অতোনবা ফুরুপশিংগী শা মউনগী ওইবা শেল তান্ননবগী ব্যান্ডিং শাগনি। শগোল দোক্তরনা হায়রম্বনি। অনীশুবনা, হোস্পিটাল অসিদা কোলেরাগী ৱার্ড অমসু শাগনি। মফম অদুদা লমগী অৱাৎপা লৈ। কোলেজগী মনাক্তা শাহৌনবা ৱাখল খনবিহৌ... অদুগা তপ্পা-তপ্পা লৌশিল্লা লোয়রে।"

ওজা প্রিন্সিপাল ৱাখল ৱারম্বদগী ফরদুনা শ্বর হোন্থরদুনা মাং থানা চৎখৎলকই। অদুগা হায়রকই,"ঐ হান্নদগী খংঙবনি। মদুদা ৱাখল থাদাবা চান্নরোই।"

ঙাইহাক মখোয় অনী তুমিন্না চৎলি।

লম্বীগী মতাইদা নুপা অমনা শিন্মী অহুম-মরী খোমজিন্দুনা মখোয়দা শাউরম্মী। ওজা প্রিন্সিপাল মখোয়গী মনাক্তা লেপখ্রে। মহাক্লা ঙাইহাক মীনট অনী-অহুমলোম নুপা অদুনা শাউরিবগী মরম খঙননবা হোৎনরম্মী। শিন্মীশিং অদুনা লাল্লে হায়রম্মী। প্রিন্সিপালনা খঙবা ঙল্লে মদুদি য়াম্না চাওবা ইস্যু নত্তে, শিন্মী অমসুং থিকাদার শুপ্নগী নুমিৎ খুদিংগী মতৌগুম ঙাঙনরম্বনি মদুদা খজিক শাউনবনি। মহাক্লা মাং থারদুনা শিন্মীশিং অদুদা হায়রম্মী, "চৎলো হে, নশা-নশাগী থবক তৌরুরো। থিকাদার সাহবতা লৌনম তৌরদি খোঙউপ চাগনিকো।"

শিন্মীশিং অদুনা প্রিন্সিপালগী মায়কৈরোমদা নোল্লুক্লা য়েংই। অহাংবা য়েংদুনা মখোয় মশা-মশাগী থবক তৌনবা হন্নখ্রে। থিকাদার অদুনা ওজা প্রিন্সিপালদা নুংশি ৱাহৈগা লোয়ননা হায়রকই, "পূম্নমক মশাগী মথৌ মশক খঙদবা ঙাক্তনি। ঙাইহাক উইরুবদি নাকোংদগী ফত্তবা পোৎশক ফাওবা লৌথোক্লে হায়বা ঙাক্তনি। নোংমগী অসুমনদি লৌগে হায় অদুগা থবক্কী হায়রুরগদি থবক শুবদা য়াম্না ৱাখিবগী মওংদা তৌই।"

ওজা প্রিন্সিপালনা হায়,"মফম খুদিংদা অসিগুম্বা ঙাক্তনি। ঐখোয় অদুদসুনি...ওজাশিং খুদিংমক লাইরিক তাকপা পাম্বা কনা য়াওবগে? মতুংদা কোয়তান তান্নরকান্দা মদুদা খরা...!"

নুপা অদু মখোল থোক্লা নোকই। অদুগা হায়রকই, " ওজানা ঐঙোন্দা করিগী তাকপীরিবনো? মদুনিনে ঐনা নুমিৎ খুদিংগী তৌরিসে। ঐ লোয়না খঙই।" লেপ্পদুনা মহাক্লা হংলকই,"কদোমদনো চৎপিরল্লিবসিবো?"

মদুগী পাউখুম ক্লার্ক অদুনা পীরকই,"ৱেদ্যাজী হোয়দনি। চেকশিংদা শোই তৌহনগদৌরিনি।"

"তৌহন্দুনা পূরক্লো।" মহাক্লা ওজা প্রিন্সিপালদা লৈথোক্তুনা লৈহৌনবা সাইন তৌই। মহাক চৎপা হৌরক্লবদা নুপাদুনা হংলকই,"তাকপিয়ু করমনা পানবিরিবগে?" (মথং-মথং)

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।